

# সনালৈবাক স্পোর্টস

**IMPHAL, TUESDAY, JANUARY 01, 2019 PAGE 7**




*কেপ্টেন ওফ আইসিসি ৱুমেন'স টি-২০ টিম ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রবী ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন হর্মনপ্রিত কোরো*

*৫রক গ্রান্দ স্লাম চেম্পিয়ন ওইখ্রবী স্বিটজরলেন্দগী টিমিয়া বাকসিঙ্গকীবু মায়থিবা পীরম্লগা সেনঝেন ওপনগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবী রুশিয়াগী মারিয়া সরাপোভা*

## মন্ধনানা আইসিসি ৱুমেন'স ক্রিকেটর ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রে হর্মনপ্রিতনা টি-২০ টিমগী কেপ্টেন ওফ দি ইয়রগী মনা লৌখ্রে

*দুবাই, দিসেম্বর ৩১ঃ*

ইন্দিয়াগী লেফ হেন্দেদ ওপনর স্মিৃতি মন্দনানা আইসিসি (ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলর) ৱুমেন'স ক্রিকেটর ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রে, ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই হর্মনপ্রিত কোরনা কেপ্টেন ওফ আইসিসি ৱুমেন'স টি-২০ টিম ওফ দি ইয়রগী মনা লৌখ্রে।



*আইসিসি ৱুমেন'স ক্রিকেটর ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রবা মন্ধনা*

মশাগী চহী ২২ শুরবী লেফ হেন্দেদ ওপনর বেটসৱুমেন স্মিৃতি মন্ধনানা কুমজা ২০১৮ গী নবেম্বর থাদা ৱেষ্ট ইন্দিজনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা আইসিসি ৱুমেন'স ৱার্ল্ড টি-২০গী সেমি ফাইনেলদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা মন্ধনানা মেটচ ৫ শরুক য়াখিবদা পুন্না রন ১৭৮ লৌদুনা ষ্ট্রাইক রেট ১২৫.৩৫ ওইদুনা য়াম্না ফজবা ঙমখিবনি।

মন্ধনা চহী অসিদা শান্নখিবা ওদিআই মেটচ ১২ দা রন ৬৬৯ লৌদুনা এভরেজদা ৬৬.৯০ চৎখি। অদুগা টি-২০ মেটচ ২৫ শান্নবদা পুন্না রন ৬২২ লৌবা ঙমখিবনি। স্মিৃতি মন্ধনা আইসিসি ৱুমেন'স ওদিআই অমসুং টি-২০ টিম ওফ দি ইয়রগী মনা ফংবা ঙমখি।

পনবা য়াই স্মিৃতি মন্দনা হৌজিক-হৌজিক ওদিআই বেটসৱুমেনগী রেঙ্কিংদা ৪শুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা টি-২০ রেঙ্কিংদনা ১০শুবা পোজিসনদা লৈরিবনি।

মন্ধনানা ফংখিবা আইসিসি ৱুমেন'স ক্রিকেটর ওফ দি ইয়রগী মনা অসিনা ইন্দিয়াগী শান্নরোইনা ফংবা অনীশুবা ওইরি। মসিগী মমাঙ কুমজা ২০০৭ দা ইন্দিয়ান টিমগী ফাষ্ট বোল্লর ঝুলন গোস্বামীনা ফংখিবনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসমেন অমদি কেপ্টেন ওইরিবা হর্মনপ্রিত কোরনা কেপ্টেন ওফ দি আইসিসি ৱুমেন'স টি-২০ টিম ওফ ইয়রগী মনা ফংবা ঙমখি।

ঙসি ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আইসিসি) না ৱুমেন'স কী ওদিআই অমসুং টি-২০ গী টিমস ওফ দি ইয়র লাওথোরকপদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন হর্মনপ্রিতপু খনখিবনি।

হর্মনপ্রিত কোরনা লুচিংদুনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম কুমজা ২০১৮ গী নবেম্বর থাদা ৱেষ্ট ইন্দিজনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা আইসিসি ৱুমেন'স ৱার্ল্ড টি-২০গী সেমি ফাইনেল য়ৌহনবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা হর্মনপ্রিত কোরনা পুন্না রন ১৮৩ লৌদুনা ষ্ট্রাইক রেট ১৬০.৫ ওইখি।

ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিমগী হৌজিক-হৌজিক কেপ্টেন ওইরিবা হর্মনপ্রিত কোর আইসিসি ৱুমেন'স বেট্টিংগী রেঙ্কিংদা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি।

আইসিসিনা ঙসি ফোঙদোরকপা খ্বাইদগী ফজবা কেপ্টেনশিংগী মনুংদা ন্যু জিলেন্দ নুপী ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন সুজি বেটসনা কেপ্টেন ওফ আইসিসি ৱুমেন'স ওদিআই টিম ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখি।

ঙসি এৱার্দ ফংখ্রবীশিং অসি মেডিয়া অমসুং ব্রোদকাষ্টর্সশিংনা কুমজা ২০১৮ দা শান্নরোইশিংনা পীখিবা পার্ফোমেন্স অদু য়েংলগা খনবনি।

## প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগতা চেন্নাই স্মাসর্সনা অহেমেদবাদ স্মাস মাষ্টর্সপু মায়থিবা পীখ্রে, বেঙ্গালুরু রাপ্টর্সসু মায় পাকখ্রে

*পুনে, দিসেম্বর ৩১ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা বেদমিন্টন মশান্নগী মকোক থোংবা লীগ টুর্নামেন্ট প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগতা চেন্নাই স্মাসর্সনা অহমেদবাদ স্মাস মাষ্টর্সপু মায়থিবা পীখ্রে, অতোপ্পা মেটচ অমদনা বেঙ্গালুরু রাপ্টর্সনা পুনে ৭ এসেসপু থোইখ্রে।



*ৱার্ল্ড নম্বর ওইরম্বা অহমেদবাদতা শান্নরিবা ভিক্তর এক্সেলসেনবু থোইরম্বা চেন্নাইগী রজিভ ওসেফ*

চেন্নাই স্মাসর্স অমসুং অহমেদবাদ স্মাস মাষ্টর্সনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা টাই অদুগী অহানবা মেটচ নুপাগী সিঙ্গলসতা চেন্নাইগী চোং ৱৈ ফেংনা অহমেদবাদকী সমির ভর্মবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৮-১৫, ১৫-১৪, ১৫-৯ দা থোইদুনা মেটচ ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

টাই অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইখিবা মিক্স দবলসকী লম্বাদা চেন্নাইগী পেয়র খৃস এদকোক অমসুং গাব্রিয়েলি এদকোকনা অহমেদবাদকী পেয়র সাটরিকসাই রেদ্দি অমসুং সিক্কি রেদ্দিবু ষ্ট্রেট গেম ১৫-১৪, ১৫-১৩ দা থোইদুনা মেটচ ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

অহুমশুবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ত্রম্প মেটচতা চেন্নাই স্মাসর্সকী রজিভ ওসেফনা অহমেদবাদ স্মাস মাষ্টর্সতা শরুক য়ারিবা মতম শাংনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ১৫-১২, ৭-১৫, ১৫-১৩ দা মায়থিবা পীরমদুনা ৪-০ দা হেন্দুনা লৈখি।

টাই অসিগী ৪শুবা মেটচ ওইরিবা নুপীগী সিঙ্গলস ত্রম্প মেটচতসু চেন্নাইগী সুং জি হ্যুননা অহমেদবাদকী কিরষ্টি গিলমোরবু ১৫-১১, ১৫-৯ দা মায়থিবা পীদুনা টাই অসিদা চেন্নাই স্মাসর্সনা অহমেদবাদ স্মাস মাষ্টর্সপু য়াম্না হেনবা মওংদা মেটচ ৬-০ দা মাঙজিল থাদুদুনা লৈখি।

টাই অসিগী ৫শুবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী দবলসতা চেন্নাইগী পেয়র খৃস এদকোক অমসুং সুমিত রেদ্দিনা অহমেদবাদকী লি চুন হৈ অমসুং স্বাটরিকসাই রেদ্দিবু ১৫-১১, ১৫-১২ দা মায়থিবা পীরমদুনা টাই অদু চেন্নাই স্মাসর্সনা অহমেদবাদ স্মাস মাষ্টর্সনা মেটচ ৬-(-১) দা মায়থিবা পীরমখি।

প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা বেঙ্গালুরু রাপ্টর্স অমসুং পুনে ৭ এসেসকী টাই অদুগী অহানবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী দবলসতা বেঙ্গালুরুগী হেন্দ্রি সেটিৱান অমসুং মোহমদ আহসাননা পুনেগী ৱ্লাদিমির ইভানোভ অমসুং চিরাগ সেথিবু ১৫-১২, ১৫-১১ দা থোইদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচ নুপীগী সিঙ্গলস ত্রম্প মেটচতা পুনেগী কেরোলিনা মারিননা বেঙ্গালুরুগী থি ভু থাংবু ১৫-৮, ১৫-৫ দা থোইদুনা ২-১ দা লিদ তৌখি।

অহুমশুবা মেটচ নুপাগী সিঙ্গলস ত্রম্প মেটচতা চেন্নাইগী কিদম্বী শ্রিকান্থনা পুনেগী অজয় জয়ারামবু ১০-১৫, ১৫-১৪, ১৫-১৪ দা থোইদুনা বেঙ্গালুরুনা পুনেবু ৩-২ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মরিশুবা মেটচ মিক্স দবলসতা পুনেগী লিনে কের্সফেল্ড অমসুং ৱ্লাদিমির ইভানোভনা লোরেন স্মিথ অমসুং মার্কস ইল্লিসপু ১৫-১৩, ১৫-৯ দা থোইদুনা ৩-৩ দা মান্নদুনা লৈখি।

টাই অসিগী অরোইবা মেটচ নুপাগী সিঙ্গলসতা বেঙ্গালুরুগী সাই প্রনিথনা পুনেগী লক্ষ্য সেনবু ১৫-৯, ১৫-১৩ দা মায়থিবা পীরম্বদগী টাই অসি বেঙ্গালুরু রাপ্টর্সনা পুনে ৭ এসেসপু মেটচ ৪-৩ দা মায়থিবা পীরমখি।

## মেঞ্চেষ্টর সিটিনা সাউথমতনবু ৩-১ দা মায়থিবা পীদুনা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী পোইন্ট টেবলগী অনীশুবা মফমদা লৈরি

*লন্দন, দিসেম্বর ৩১ঃ*

ইংলেন্দদা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগতা মমাঙগী চেম্পিয়ন মেঞ্চেষ্টর সিটিনা সাউথমতনবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি।



*মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং সাউথমতননা শান্নখিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মেটচ অমা*

সাউথমতনগী হোম গ্রাউন্দ সেন্ট মেরিস ষ্টেদিয়মদা সাউথমতন অমসুং মেঞ্চেষ্টর সিটিনা শান্নখিবা ২০শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদুগী ১০শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোই দেবিদ সিলভানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং মেটচকী ৩৭শুবা মিনটতা সাউথমতনগী শান্নরোই পিয়েরি হোজববর্গনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা টিম অনীমক ১-১ দা মান্নদুনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী অহানবা হাল্ফকী ইনজুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা চথুরকখিবা এটেক অমদা সাউথমতনগী শান্নরোই জেমস ৱার্দ প্রোসেনা শোয়বদগী পাঞ্জল অমা চনশিনখিবদগী ২-১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

ইনজুরি টাইমগী ৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা চথুরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা সর্জিও এগুইরোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা সাউথমতনবু পাঞ্জল ৩-১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী মখা তাবা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু মেঞ্চেষ্টর সিটিনা সাউথমতনবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসনদা লেঙদনা লৈবা ঙমখি।

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ২০শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা এএফসি বোর্নমাউৎপু পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থিবা পীরমখি।

শান্নবা হৌরকপা মেটচকী ৫শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী শান্নরোই পোল পোগবানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ঙন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মতম খরা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং মেটচকী ৩৭শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা পোল পোগবানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী ইনজুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মার্কস রাসফোর্দনা পাঞ্জল অমগা চনশিল্লবা মতুং ইনজুরি টাইম অদুমক্তঃদা বোর্নমাউথকী শান্নরোই নাথান একেনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্নুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা বোর্নমাউথপু পাঞ্জল ৩-১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৭২শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী শান্নরোই রোমেলু লুকাকুনা পাঞ্জল অমা চনশিল্লগা মেটচ অদু ৪-১ দা বোর্নমাউথপু মায়থিবা পীরমখি।

লীগ অসিগী অতোপ্পা ২০শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বর্নলিনা ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীরমখি। বর্নলিগী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা খৃস ৱুদনা অহানবা অদুগা শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা টিমমেট ৱাইট মেকনেলনা চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু মায় পাকখি।

## বোকার্দ অমসুং প্যুগ ওকলেন্দ ওপন টেন্নিসকী অহানবা রাউন্দশিং মায় পাকখ্রে

*ওকলেন্দ, দিসেম্বর ৩১ঃ*

ন্যু জিলেন্দগী সিটি ওকলেন্দদা চথুরিবা দব্লিয়ুটিএ ওকলেন্দ ওপনদা কানাদাগী য়ুজিনি বোকার্দ অমসুং প্যুটো রিকোগী মোনিকা প্যুগ মখোয়-মখোয়গী অহানবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্নুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী অহানবা রাউন্দগী সিঙ্গলস মেটচ অমদা কানাদাগী য়ুজিনি বোকার্দনা য়ুএসএগী মেদিসন বেঙ্গলবু ষ্ট্রেট সেট ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ওকলেন্দ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা প্যুটো রিকোগী মোনিকা প্যুগনা য়ুএসএগী বেথানি মাটেক সেন্দসপু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট ৬-৩, ৬-২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

ক্রোসৱার্দ ২৯ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | A | R | A | | B | E | A | M | S | | W | W | W | |
| O | M | I | T | | L | A | N | C | E | | O | H | N | O |
| L | I | G | H | T | A | S | A | I | R | | R | I | B | S |
| | | | L | I | M | E | | | V | I | S | T | A | S |
| S | P | H | E | R | E | | S | O | I | R | E | E | | |
| O | R | A | T | E | D | | T | A | C | K | | A | A | R |
| B | O | R | E | S | | C | O | T | E | S | | S | N | O |
| E | N | D | S | | S | A | G | E | S | | M | S | G | T |
| I | T | A | | S | A | R | I | S | | B | E | N | E | T |
| T | O | S | | L | U | R | E | | P | A | R | O | L | E |
| | | N | O | I | S | E | S | | O | B | I | W | A | N |
| U | G | A | N | D | A | | | O | P | E | N | | | |
| P | O | I | S | | G | O | O | D | A | S | G | O | L | D |
| A | B | L | E | | E | R | R | O | R | | U | S | P | S |
| | S | S | T | | S | T | A | R | T | | E | A | S | T |

## ইন্দিয়াগী কেপ্টেন কোহলিনা টেষ্ট বেটসমেনগী নম্বর ৱান ওইরি

*দুবাই, দিসেম্বর ৩১ঃ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আইসিসি) না ঙসি ফোঙদোরকপা টেষ্ট বেটসমেনগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা নম্বর ৱান পোজিসনদা লেঙদনা লৈবা ঙমখ্রে।

ভিরাট কোহলিনা মেলবর্নদা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবা অহুমশুবা টেষ্ট মেটচকী অহানবা ইন্নিংসতা রন ৮২ লৌবা ঙমখ্রবসু মহাক্কী হান্না লৈরম্বা রেট্টিং পোইন্টতগী ৩ হন্থদুনা পোইন্ট ৯৩৭ দা লৈখ্রবসু নম্বর ৱান পোজিসন অসিদা লেঙদনা লৈবা ঙমখি।

ভিরাট কোহলিনা কুমজা ২০১৮ গী ওইনা ফোর্মেট অহুমক্তা পুন্না রন ১৩২২ লৌদুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্না চহী অমদা রন লৌবা ঙম্বা শান্নরোই ওইবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসমেন চিটেশ্বর পুজারাসু মেলবর্নদা শান্নখিবা অহুমশুবা টেষ্ট মেটচকী অহানবা ইন্নিংসতা সেঞ্চুরি লৌবা ঙমখিবদগী রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা ৪শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি।

আইসিসিনা নৌনা থাদোরকপা মকোক মথং তাবগী পরিং অসিদা সাউথ অফ্রিকাগী ফাষ্ট বোল্লর কাগিসো রাবাদানা খ্বাইদগী ফজবা ওইদুনা নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে।

টেষ্ট টিমশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিম্না পোইন্ট ১১৬ ফংদুনা নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি। ইংলেন্দনা পোইন্ট ১০৮ ফংলগা অনীশুবা অদুগা ন্যু জিলেন্দগী টিম্না পুন্না পোইন্ট ১০৭ ফংলগা অহুমশুবা রেঙ্কিং দা লৈবা ঙল্লি।

## নেসনেল সোটগন সেলেক্সন ত্রাইয়েল জয়পুরদা জনুৱারী ২৮ দগী হৌরগনি

*জয়পুর, দিসেম্বর ৩১ঃ*

কুমজা ২০১৯ ৱার্ল্ড কপশিংদা শরুক য়াননবা ইন্দিয়াগী সুট্টরশিং খনগৎনবগীদমক নেসনেল সোটগন সেলেক্সন ত্রাইয়েল জয়পুরদা লৈবা ওসিস সুট্টিং রেঞ্জেসতা কুমজা ২০১৯ গী জনুৱারী ২৮ দগী হৌরগা ফেব্রুৱারী ৮ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়না নেসনেল রাইফল এসোসিয়েসননা ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

নেসনেল সোটগন সেলেক্সন ত্রাইয়েল অসিগী ইভেন্ট খুদিংমক্তা মকোক থোংবা সুট্টরশিং অদুদা কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ ৩ দা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা পীগদৌরি।

স্কিট কম্পিটিসনশিংনা ফেব্রুৱারী ২ দগী হৌগনি মসিগী মতুং নুপা অমসুং নুপীগী ত্রেপ কম্পিটিসনশিং পাঙথোক্কনি হায়রি।

সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ অহুম অসি কুমজা ২০১৯ গী মার্চ থাদা মেক্সিকোগী সিটি অকাপুল্কোদা অহানবা ওইনা পাঙথোক্কনি। অনীশুবনা এপ্রিল থাদা য়ুএইগী সিটি অল এনদা পাঙথোক্লবা মতুং অহুমশুবা ৱার্ল্ড কপ্পা সাউথ কোরিয়াগী সিটি চাঙৱোনদা মে থাদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Keirao Bitra, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 368/SDC of 2018 Dt. 31/12/2018

Konjengbam Asharani Devi W/o (L) Kongkham Bimol Singh of Bamon Kampu Mayai Leikai

Petitioner

-Vs-

Late Kongkham Bimol Singh S/o Indrajit Singh of Bamon Kampu

O.P.

**NOTICE**

Keirao Bitra, the 31-12-2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East KBT Circle গী Village No. 58-Lanthrei Loukol গী Patta No. 16 (অরিবা) 420 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 113 an area 0.52000 acre of Phourel class লম অসিগী Pattadar Kongkham Bimol Singh অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী নুপীনা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, KBT Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
KBT, Imphal East, Manipur

*SL/Bill (E)/01*



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Keirao Bitra, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 367/SDC of 2018 Dt. 31/12/2018

Konjengbam Asharani Devi W/o Kongkham Bimol Singh of Bamon Kampu Mayai Leikai

Petitioner

-Vs-

Late Kongkham Bimol Singh S/o Indrajit Singh of Bamon Kampu

O.P.

**NOTICE**

Keirao Bitra, the 31-12-2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East KBT Circle গী Village No. 58-Lanthrei Loukol গী Patta No. 146 (অরিবা) 422 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 1030 an area 0.57000 acre of Anganphou class লম অসিগী Pattadar Kongkham Bimol Singh অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী নুপীনা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, KBT Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
KBT, Imphal East, Manipur

*SL/Bill (D)/01*



**Reena Physiotherapy Clinic**

***YUMNAM LEIKAI, INDO-MYANMAR ROAD, IMPHAL WEST***

**Treatments**

- Fracture
- Frozen Shoulder
- Back Pain
- Knee Pain
- Arthritis, (Hip, Knee, Joints, Gout, Fracture, Paralysis, Bell's Palsy)

**Instruments**

- Tense
- Ultrasound
- IFT
- Traction
- Wax Therapy
- Hot Pack
- Pully
- Shoulder wheel
- Ladder
- Swiss Ball

অসিনচিংবা Instrument শীজিন্নদুনা হায়রিবা মখলশিং অসি লায়েংজরি ।

Sunday Open
8 AM. to 12 Noon.

Home visit কী খুদোংচাবা লৈজগনি।

Visiting Hours
8 AM. to 12 Noon. and 3 PM. to 7PM.

***Please Contact:***
**Dr. Moirangthem Reena Devi (BPT)**
**Phone No. 9774980552 / 8974282395**

*SL/BILL/Alt/30 Days upto 20 Dec.18*